ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



মণিপুর তুরেলগী মথক্তা শাবা ৱাঙু হৈনৌয়ামগী ফীভম শোক্লবা সস্পেন্সন ব্রিদজবু শুগুনু এ সীগী এম এল এ কে রঞ্জিৎনা অচংবা শেনফমশিং পুথোক্তুনা মীয়াম্না শেমজিন শাজিনখিবা

থম্মোয়গী লায়না অমদি শরূগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লকপগা কোলেস্টেরোল...
☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙথৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)
লামায় ৪

পূক্নিংদা লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা মতেং পাঙনবা চঙই : গোপেন
☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯

ক্বাকৈথেল হৈনৌখোঙনেম্বীগী রতনকুমার মেমোরিএল স্কুল (আর এম এস) গী ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২৩দা মার্ক য়াম্না ফংলকপা মহৈরোয়শিংবু এম এল এ কেবি য়াওনা স্কুলগী মায়কৈদগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবা (পেজ ৬)



Vol. 47, Issue No. 231 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, November 14, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী নোটিফিকেসন

## মণিপুরগী লালহৌলূপ ৫, মখোয়গী আর্ম ৱিংশিং, কোরকোম ১সুং অসুকপু অন-লোফুল ওর্গনাইজেসনশিংনি লাউথোকখ্রে

**হোম মিনিষ্ট্রিনা চহী ৫গী ওইনা অন-লোফুল ওর্গনাইজেসনশিংনি হায়দুনা লাউথোরকপদা লালহৌলূপশিং অসিগী ফেক্সন, ৱিং ১সুং ফ্রন্ট ওর্গনাইজেসনশিংসু কোনশিল্লক্লি**



মণিপুরগী লালহৌলূপ অমগী কাদরশিং (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মপূং ওইবা লালহৌলূপ খরবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা মতম-মতমগী মতুংইন্না থেঙ্খাং নাইনা 'অন-লোফুল ওর্গনাইজেসন' শিংনি হায়না লাউথোক্তুনা লাকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) গী মায়কৈদগী নোটিফিকেসন (নম্বর এস.ও.৪৮৯৯ (ঈ) থোক্তুনা মণিপুরগী লালহৌলূপ মঙা মখোয়গী পোলিটিকেল ৱিং অমসুং আর্ম ৱিংশিং, লালহৌলূপশিংগী অপূন লূপ ওইরিবা কোওর্দিনেসন কম্মিটি (কোরকোম) অমসুং এলাইএন্স ফোর সোসলিষ্ট য়ুনিটি কংলৈপাক (অসুক) য়াওনা লালহৌলূপশিং অসিগী ফেক্সন, ৱিংশিং অমসুং ফ্রন্ট ওর্গনাইজেসনশিংবু ঙসিদগী হৌরদুনা চহী ৫গী ওইনা লোনা য়াদবা লূপশিংনি হায়না লাউথোরকখ্রে।

এম ঐচ এগী নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না লোনা য়াদবা লূপশিংনি ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### মিলিটরি জুন্তাগী মায়োক্তা লান হৌরিবশিংগা ম্যান্মার লান্মীগা কন্না খূৎ থোক্লখ্রে

## ম্যান্মার লান্মীনা মখোয়গী মথক্তা লান হৌরিবশিংদা বোম হৈথরকপদগী মিজোরামদা মীওই কয়া চেনশিল্লক্লে

**গুৱাহাটি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :** হৌখিবা কুমজা ২০২১দা মিলিটরিনা ম্যান্মার লৈঙাক পায়খিবদগী লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা নৌনা লীংখৎখিবা লালহৌলূপশিং য়াওনা হান্নদগী লৈরকখিবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংনা অকনবা লান্দাশিং চথরকপদগী লৈবাক অসিগী লান্মীনসু হন্দুনা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লরকপা খক্তা নত্তনা ম্যান্মার লান্মীনা মখোয়গী মায়োক্তা লান হৌরিবশিংগী লৈফমনি হায়বশিংদা নোংথক্তগী বোম হৈথরকপদগী অশোক-অপন নংলবশিং য়াওনা মীওই কয়া মিজোরামদা চেনশিল্লক্লে।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা ঙরাংদগী হৌরদুনা ম্যান্মারদা নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লরকখিবদগী ঙমখৈগা তাইনরিবা মিজোরামগী জোখোথর ভিলেজদা ম্যান্মার রোমদগী শোক্লবা মীওই ২০ লোম য়াওনা পূন্না মীওই লিশীং ৫ রোম চেনশিল্লক্লে হায়রি।

জোখোথর হায়রিবা খুল অসি মিজোরামগী চম্ফাই দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবনি হায়রি। ম্যান্মার লান্মীনা চথরকপা নোংমৈ কাপ্পা অমসুং বোম হৈথরকপদগী শোক্লবা মীওই ২০ লোম য়াওনা মীওই লিশীং ৫ রোম লাঞ্জেল্লকখিবনি। শোক্লবশিংগী মনুংদা চহী ৫১ রোম শুরবা চুংথিয়ানমোই কৌবা নুপা অমা মকোক্তা পানবদগী থৌদোক থোকফমদা লৈখিদে। অদুগা অঙাংশিং য়াওনা অশোক-অপন নংলবশিংগী মনুংদগী ফীভম লূনা শোক্লবা মীওই অহুম্না মিজোরামগী চম্ফাই হোস্পিটালদা পুরক্তুনা লায়েংলবা মতুংদা আইজোলগী লায়েংশঙ অমদা মখা তানা লায়েংনবা রিফর তৌখ্রে হায়রি।

ম্যান্মারগী মিলিটরি জুন্তাগী মায়োক্তা অকনবা লান হৌরিবশিংগী মনুংদা পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (পি দি এফ) অমসুং চিনলেন্দ দিফেন্স ফোর্স (সী দি এফ) নচিংবা য়াওরিবনি। লালহৌলূপ অনীসিগী মনুংদগী সী দি এফনা ম্যান্মার মনুংগী রিখোদর খুলদা লৈবা ম্যান্মার লান্মীগী কেম্প অমা খুদুম চনশিন্দুনা লৌশিল্লুবনি। হায়রিবা মফম অসি মিজোরামগী জোখোথর খুলদগী শুপ্লতগী কিলোমিটর ৪ রোমদমক লাপ্পনা লৈবা মফমনি।

অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অসিগী মিলিটেন্টশিংনা ম্যান্মার আর্মিগী কেম্প অদু খুদুম চনশিন্দুনা লৌশিল্লুবদগী খঙহৌদনা ঙরাংদগী হৌরক্লগা ম্যান্মার আর্মিনা জেট ফাইটর শীজিন্নদুনা ঙসি অয়ূক ফাওবদা মখোয়গী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪



ম্যান্মার লৈঙাক্কী মায়োক্তা লান হৌরিবা চিনলেন্দ দিফেন্স ফোর্সকী মথক্তা ম্যান্মার লান্মীনা বোম কাপশিনবা

### মিনট খরা পূম্মম মমখি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** মহৌশাগুম্না ঙসি নুমিদাং হিন্দু লাইনীং চৎপশিংনা মরু ওইনা পাঙথোক্লবা দিৱালি কুম্মৈগী মহুত্তা লোইশিন্দ্রিবা লান অসিদা লৈখিদ্রবশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মৈ মুৎহন্নবা লাউথোক্ল খিবগী মতুংইন্না ঙসি নুমিদাং পুং ৬ তারকপদগী মিনট খরা মফম অয়াম্বদা পূম্মম মমখ্রে।

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** হয়েং নবেম্বর ১৪দা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবালদা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ১০, বিষ্ণুপুর অমদি কক্চীংদা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

### 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঙ্গা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Meeteisingna amatta oina lingjel mannare natraga mannadri haibagi chap chaba khudam hiyangeigi nini panba Ningol Chakkouba numita khangadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Union leingakna houjik faobada Manipurgi Lan lephannaba hotnadribasi makhoigi aronba agenda ama leibanani haibada langadra?

Yes 50% No 50%

## মীতৈ মতৈ-মনাও অহল ২ হাৎখ্রে হায়বগী পাউ ভাইরেল ওইরকখ্রে, পুলিসনদি কনফার্ম তৌখিদ্রি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :**

লৈমতাক্কী পাৱর হাউসতা থবক তৌরম্বদগী পোত্থারবা নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ৮দগী পুখ্রম্ম বিরচন্দ্র (৭৫) অমসুং মহাক্কী অনীশুবা লোয়নবী থিনুঙ্গৈ ৱার্দ নম্বর ৬তগী শগোলশেম পিশকমচা (৭০) বু মখোয়না লৈরকখিবা লৈমতাক্কী মফম অমদা থাঙনা য়াম্দুনা হাৎলে হায়বগী পাউ ঙসি নুমিদাংৱাইরমদগী হৌরদুনা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রবসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ত পুলিসকী এস পিগী মায়কৈদগীদি অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকপগী অকক্লবা রিপোর্ট লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

অদুম ওইনমক পাউচে অসিনা শগোলশেম পিশকমচাগা পোকমিন্নবা মচে হাওবিজম ওংবী য়ূমশঙবী (৭৮) মপুরোইবা ঐচ ইবোতোম্বী থিনুঙ্গৈ মনীং লৈকায়গা টেলিফোনদা শানখিবা ৱারীদদি মহাক্কী মনাওনুপী অমসুং মনাওনুপীগী মপুরোইবা অসি শিরে হায়বগী মখোয়দা পাউ মথং-মথং পীনরক্লে হায়রকখি।

অদুবু লৈখিদ্রে হায়রিবা মীওই অনীসিগী হকচাংশিং ফংবা ঙল্লব্রা লোয়ননা করম্বা মতমদা লৈখিদবনো হায়না হংখিবদদি ৱাহং অনীসিগী পাউখুম চপ চানা পীরকপা ঙমখিদে। মনাওনুপীগী মপুরোইবা অসি থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা লৈমতাক্তা লৈবা চীংমী খুল অমগী নিংথৌগা লুনা তিন্নবদগী মহাক্কী মনাক্তা থবক ইনখাং শূদুনা লৈমিন্নখিবনি। অদুবু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মখোয় অনীনা শীজিন্নবা মোবাইল ফোন স্বিটচ ওফ তৌখিদুনা ঈ-পাউ ফাওনবা ঙমদনা লৈরক্লিঙৈগী চৈরক্তা মখোয় অনীবু হাৎখ্রে হায়বগী পাউ মথং-মথং পীনরকখিবনি হায়রকখি।

তুংদা পাউচে অসিনা য়ূমশঙবীগী মচানুপা হৌজিক্লা অনীশুবা আই আর বিগী পর্সনেল ওইরিবা জিতেনগা টেলিফোনদা শানখিবা ৱারীদা পাউ অসি মহাক্কী মমাগা পোকমিন্নবা মন্দোমচা পিশকমচাগী মপুরোইবা ...মখা লামায় ৩ কলম...

### কুকি মিলিটেন্টশিংনা অকনবা লান চথরক্লিঙৈদা কে এন ওগী দিফেন্স সেক্রেটরি মশাগী লায়না ১না লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা অতম্মনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকপদা মথৌ শঙলিবা কুকি মিলিটেন্ট গ্রুপ অমবু কোনশিল্লিবা কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) গী দিফেন্স সেক্রেটরি থোংসৈ হাওকিপ এলিয়জ টি এস হাওকিপ মশাগী লায়না অমনা ঙরাং ন্যু দেল্লীদা লৈবা লায়েংশঙ অমদা লৈখিদ্রে।

মহাক মশাগী চহী ৫১ শুখ্রে। লৈখিদ্রবা কে এন ওগী দিফেন্স সেক্রেটরি অসি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্তা সূ তৌনরক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থেঙ্খাং নাইনা ৱারী শানরকখিবদা শরুক য়ারকখিবা মীওইনি। লৈখিদ্রবগী হকচাং হয়েং দেল্লীদগী পুরক্লবা মতুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী বি ভেঙনোমদা লৈবা মশাগী য়ূমদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মতম খরগী মমাঙদগী লঙসতা কেন্সর লায়না নারকপদগী লায়েংলকখিবা মহাক কুকি ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) গী থবক থৌরম কয়াদসু মায়পুন্না থৌদাং য়ারকখিবা মীওইনি হায়রি।



মহাক্না খঙ হৌদনা লৈখিদবদা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা, মহাক লৈখিদবগী অহাঙবা মেনশিনবা ঙল্লরোই অমসুং মহাক লৈখিদবা অসি কে এন ওগী অচৌবা মাঙজবনি হায়রি। মহাক মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী হৌনা কে এস ও লিংখৎপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরকখিবা মীওইনি। মহাক্না কুকিশিংগীদমক নেসনল ৱার্কর অমা ওইনা মতম চুপ্পদা মথৌ পাঙথোক্লমখি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না শেম্বীরকপা মপুগী মফমদা ঈংনা-চিক্না লৈরুবা ওইরসনু হায়রি।

### মিনিষ্টর সুসিলদ্রোনা লৈবাক মীয়াম খঙনা শেংদোকপীরক্কদবনি : উরিপোক অপূনবা লূপ

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** মে ৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরক্লিবা লান অসিনা লমদমসিগী ঈংনা-চিক্না লৈজরম্বা মীয়ামগী পুন্সিরোল অদু মচেৎ কয়া থোক্লা থুগাইরে হায়না উরিপোক্কী ক্লব পূম্নমক্কী অপূন লূপ ওইরিবা উরিপোক অপূনবা লূপ (উরিপোক সোরবোন থিঙেল) গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি চীংথাং নাম্বমনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মিনিষ্টর সুসিলদ্রোগী ৱাফম অকনবা মওংদা য়ানীংদে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরমদম মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা লমদমসিগী তাঙলবা ফিজিগী লন কয়া অমা থৱায়না পোন্থা পীখ্রে। থা ৬ হেল্লক্লবসি ফাওবদা লান অসি লোইবগী মমি অমা উদ্রি। অসুক য়াম্না লূরবা লৈবাক্কী তানফমসিদা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা মিনিষ্টর এল সুসিলদ্রোনা থা অসিগী ৯দা লমদমসিগী নুংতিগী ফোঙবা পাউচে ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনবা য়াদ্রিবশিংদা য়ূম শানবা শেল পীরগা কদাইদা শাগদগে : আর কে নিমাই




**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** চিন-কুকিশিংনা লান্দারক্লিবসি খূৎলায় খক্তংদা নত্তে, হীরম খুদিংমক্তনি হায়রদুনা একাদেমিককী ওইবা লানসু য়াওশিল্লকপনিনা ঐখোয়গী একাদেমিসিয়নশিংনা চেলেঞ্জ তৌগদবনি হায়না রিটাইয়র্দ আই এ এস, আর কে নিমাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ইন্সটিট্যুট ওফ দিভেলপমেন্ট ষ্টদিজ (আই দি এস) গী মপোক কুমওন থৌরমদা মহাক্না অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবদা ফোঙদোকখিবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর ওইরম্বা আর কে নিমাইনা মখা তানা হায়, মে ৩দগী চিন-কুকিশিংনা হৌরক্লিবা লান অসিদি নেসনল অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## মহৈরোয় লূপ ৬না খুদক্তগী ইন্টরনেট সর্ভিস হাংদোক্কদবনি হায়রকপগা লৈঙাক্না অথিংবা অমুক্কসু শাংদোকহনখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী কাঙলূপ মশেলগী অকনবা লান চথরকপদগী লৈঙাক্না লাকশিন্নবা হোৎনরকপদা ষ্টেট অসিদা মোবাইল ইন্টরনেট/দাটা সর্ভিসশিং অথিংবা থম্লুরবসু মতম খরা ঈরাং নেমথরকপদগী অমুক হাংদোক্লুরবা মতুং সেপ্টেম্বর ২৫দা লিম্থোইঙম্বী হিজম অমসুং ফিজম হেমঞ্জিৎবু কুকি মিলিটেন্টশিংনা হাৎতোকপীখ্রে হায়বগী ফোটোশিং ভাইরেল ওইরকপদগী অমুক হন্না অথিংবা থম্লকখিবদগী ঙসি মহৈরোয় লূপ তরুক্না খুদক্তা হাংদোক্কদবনি হায়বগী চেরোল থোরকপা নুমিৎমক্তদা হোম দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমনা অথিংবা অসি থা অসিগী ১৮গী নুমিদাং পুং ৭.৪৫ ফাওবা নুমিৎ ৫নিগী ওইনা শাংদোকহনখ্রে হায়রি।

এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমসুং এইমস য়াওনা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী প্রসিদেন্টশিংনা পূন্না খুৎয়েক পীদুনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, লমদমসিদা মতম কুইনা মোবাইল ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিন্দুনা ফংহন্দবসিনা থোকহল্লিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংবীদুনা মণিপুর লৈঙাক্না ষ্টেট পূম্বদা মোবাইল ইন্টরনেট ফংহন্নবা আপীল তৌজরি হায়রি।

মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা ইন্টরনেট থিংজিনবগী কান্নবা লৈতে হায়বসি মীয়াম্না খঙলবনি। ইন্টরনেট থিংজিনবা অসিনসু মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি নেমথহনবা অমদি ৱাংখৎহনবগা থোইনা মরী লৈনদ্রে। ইন্টরনেট থিংজিনবা অসিনা মহৈ মশীন তম্বদা চাউনা অপনবা পীবদা নত্তনা লল্লোন ইতিক অমদি হীরম কয়াদা পীরিবা মাঙজবা অসি য়েংবীরগা খুদক্তা মোবাইল ইন্টরনেট হাংদোকহনবীয়ু হায়নসু লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### গ্রোসরি দুকান, ঙা শেম্ফম য়াওনা মফম ৪দা মৈ চাকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা গ্রোসরি দুকানগা পূনবা গোদাউন অমা অমসুং ঙা শেম্ফম অমা য়াওনা মফম মরিদা মৈ চাকপগী থৌদোকশিংদা লূপা লাখ কয়াগী পোৎ-চৈশিং মাঙ তাকখ্রে।



ঙরাং নুমিদাং তেরা লুক্রাম লৈরক্তা লৈবা ফিশ সেন্টর অমা মৈ চাক্লকপদগী ফায়র সর্ভিসনা মুৎথৎনবা হোৎনখিবা

অহানবা থৌদোক্তা ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৩ রোম তারকপদা থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকায়দা লৈবা গ্রোসরি দুকান অমা মসিগী গোদাউন য়াওনা মৈনা তুম্না চাকখ্রে। দুকান অসি পাওনম বহাদুর এলিয়জ য়াইমা কৌবা মীওই অমগীনি। থৌদোক অসিদা থংননা লৈবা য়ূম অমগী কা অনীসু চাকখি।

ইলেক্ট্রিক সোর্ট সর্কিটতগী হৌরক্তুনা চাকখিবনি চিংনবা থৌদোক অসিদা লুপা লাখ ৮০ রোমগী পোৎ চৈশিং, উপু মনুংদা থম্বা শেল ওইনা লুপা লাখ ১০ অমসুং য়োন্নবা থম্বা উপুনচিংবসু চাকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৮ রোম তারকপদা তেরা লুক্রাম লৈরক্তা লৈবা নুপীমচাশিং খক্তনা ঙা শেল্লগা য়োনবা দুকান অমসু ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### অস! লোইরেহে!

- চোংখোদনা, দিসক্কালিফাই তৌনবা কেস অমুক তৌরক্লেদনা।

- [illegible]



- প্রভু, কোয়লাসতা ষণ পুনবগী ফীভমদুদি মথং ভোট লেপ্পবা লৈরোইনে।

- [illegible]

## লাঞ্জেন্নরকপা থা ৭ ফাজিল্লক্লে, মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা ইশা-ইশাগী অশেংবা য়ূমদা হলহনবিরো : খুঞ্জাশিং

### হকথেংনবা পাউদম

*লৈমখোং চীংমাং অমদি ইঙৌরোক চীংমাংগী খুঞ্জাশিং*

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস) :** লাঞ্জেন্নরকপা থা ৭ শুরক্লে অদুবু রিলিফ কেম্প অসিদা অদুমক লৈবা অসি অহল ওইশিল্লকপা অমদি ইচা-ইশুশিংগী খল্লগা থম্মোয় য়াম্না পীক্না লৈবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু মশা-মশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্নদুনা লৈহনবিরো হায়না খুরখুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

খুরখুলগী সরদার পটেল হায়স্কুলগী বোইজ হোষ্টেলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরম্বা লৈমখোং চীংমাং অমদি ইঙৌরোক চীংমাংনচিংবা মফমশিংদগী অহল ওইরবী ইমা-ইবেলশিংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা হন্দক থোক্লিবা লান অসিদি য়াম্না নুংঙাইতবা হায়বদু ওই। রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবা মীওইশিং কা হেন্না ইনাক-কৈরাক খুনবা অমদি শেল-থুম পায়বা মীওইশিং অমত্তা নত্তে। অয়াম্বনা নোংমা-নোংমগী অফং-অফংবা



থবক শু-নোমদুনা লৈজবা অমদি ইঙ্খাং-নাপী য়োন্দুনা হিংজবা মীওইশিংনা অয়াম্বনি। অসুম্না য়াম্না চম্না হিংজরিবা মীওইশিংদা চিন কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লৈঙাক্তা তায়নবা ঙমদ্রগা ঐখোয়দা ওইনা তায়নরকপা অসিদি য়াম্না নুঙাইতে। মখোয়না তশেংনা মথৌনা-মরিংজেল লৈরবদি মীচম মীয়ামদা তায়নবগী মহুৎতা লৈঙাক্না ওইনা থেংনগদবনি।

রিলিফ কেম্প অসিদা অসুমক লৈবদি য়াদবনিনা রিলিফ কেম্প অসিদা অঙম্বা থবক শু-নোমদুনা লৈনরি। রিলিফ কেম্প অসিদা লোংদাই, ফীরোলনচিংবা তুদুনা লৈরি। লোয়ননা মখোয়-মখোয়না হৈজবা থবকশিং শু-নোমদুনা হিংলি। রিলিফ কেম্প অসিদা কয়াম কুইনা লৈখিগদৌরিবনো হায়বা অসি খঙবা ঙমদবনা থম্মোয়দা য়াম্না অৱাবা হায়বদু ওই। ইচা-ইশুশিং কাং খোং চাইরে। ইচা-খরনা অতোপ্পা রিলিফ কেম্পশিংদা অদুগা ঐখোয়না রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরি। মরম অদুনা তুম্ফম-চাফম খঙদনা য়াম্না ৱানা অহীং খুদিং মীৎতগী পী তাদুনা পুন্সি লেনবা হায়বদু ওইরে। অসুক য়ৌনা ৱারবা মতমদা অসিদা লৈঙাক্না ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতা য়োকপী-থাকপীদুনা থম্বিরবসু ঐখোয়-ঐখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা খুলশিং অদুদা চারবসু-চাদ্রবসু অদুমক লৈজনিংই। মরম অদুনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না থোক্লিবা লান অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা তংদু লৈতাবা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবিয়ু। নৎত্রবদি রিলিফ কেম্প অসিদা মতম শাংনা অদুমক লৈরবদি ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা শেল পুথোক্তুনা ৱাঙু হৈনৌয়ামগী সস্পেন্সন ব্রিদজ শেমজিনখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর তুরেলগী মথক্তা শারিবা ৱাঙু হৈনৌয়ামগী সস্পেন্সন ব্রিদজগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লকপদগী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপদগী শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা অচঙবা শেলশিং পুথোক্তুনা মফম অদুগী মীয়ামগা লোয়ননা শেমজিনখ্রে।

থোং শেমজিনবদা শরুক য়াখিবা পি ঐচ ধমেননা হায়, মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইনা মীয়ামদা হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা লুচিংবা অমা ওইরক্লিবা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা টর্ম ৬ লক থংন-থংননা মায় পাক্লক্তুনা ৱাক্স মিনিষ্টর ওইরম্বদা নত্তনা অতৈ লোয়শঙশিং পুবা মিনিষ্টর ওইরমখিবা অমা শুগুনু ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### মিজোরামদগী লুপা ক্রোর ৪৫ রোমগী দ্রগশিং ফারে

**আইজোল, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :** হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (ইষ্ট) না ঙরাং থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ১০দা অসাম রাইফলসনা মিজোরামগী জোখোথর পুলিসকা খূৎশম্নলা জোখোথরগী মফম অমদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা লুপা ক্রোর ৪২ রোমগী মমল ওইগদবা মেথামফেতামাইন টেব্লেট কিলোগ্রাম ১৫.৯১ ফারে হায়রি। ফারবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অসিগী মতাংদা মখা তাবা লোগী থবকশিং লৌখৎনবা জোখোথর পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি। অমরোমদা মমাঙগী চয়োলদসু অসাম রাইফলসনা মিজোরাম পুলিসকা খূৎশম্নলা চথখিবা রেদ অমদা লুপা ক্রোর ১৮.৩ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন কিলোগ্রাম ২.৬১ ম্যান্মার মচা মঙাদগী ফাগৎখিবা লৈখ্রবনি।